# মেঘালয়া সব-জুনিয়র নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ গী ক্বালিফাই ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ ) কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না ঈন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা টিম ৬ না গ্রুপ- ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ ( নোঠ ইষ্ট ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মেঘালয়া মায় পাক্তুনা গ্রুপ-বিদা পোইন্ট ৬ ফঙদুনা নোঠ ইষ্ট জোনদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বালিফাই ওইবা অহানবা টিম ওইখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ- বিগী মেঘালয়া অমদি মিজোরামনা শান্নখিবা মেটচতা মেঘালয়ানা মিজোরামবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বালিফাই ওইখিবনি। মেঘালয়াগী অহানবা মেটচতা অসামবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপগী অঙনবা মিনট ৪ চৎপদা মেঘালয়লগী মায়কৈদা মেটচকী অহানবা গোল চন্নবগী পেনালটিগী তাঞ্জা অমা ফঙখি অদুবু মিজোরামগী মিল্ড ফিল্ডর জর্সি নম্বর ১২ ৱানবোকলাঙ ৱাঙলাঙনা পেনালটি অমদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওং দা শান্নদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পূক্নিং চীঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা মেঘালয়ানা মিজোরামবু লাকশিন্না শান্নরক্তুনা মিজোরামগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু মিজোরামগী মায়কৈদগী নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেঘালয়াগী জর্সি নম্বর ১২ ৱানবোকলাঙ ৱাঙলাঙগী মহুৎত্তা অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৭ চৎপদা চঙলকখিবা জর্সি নম্বর ১৩ জোনি ভোকোরদো নোংখালৌনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনখি।

মিজোরামগী মায়কৈদগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা চাঙ নায়না এটেক কয়া চথখ্রবসু মেঘালয়াগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা শান্নদুনা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা কন্টেস অসিদা লৈন্নবা হোৎন দুনা মিজোরামগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা মেঘালয়াগী জর্সি নম্বর ১৩ জোনি ভোকোরদো নোংখালৌন চনখিবা গোলনা মেঘালয়াবু ক্বালিফাই ওইহনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায়থিরবা মিজোরামগী জর্সি নম্বর ২ ফ্রেন্সিস লালরুৱাটফিলাদা মিনট ৪৬, জর্সি নম্বর ৯ লালরেমরুৱাটাদা মিনট ৬৬, জর্সি নম্বর ১৫ লালরোসঙ্গা হরসেলদা মিনট ৭১ অমসুং মায় পাক্লবা মেঘালয়াগী জর্সি নম্বর ৫ তৈবোক নোংরুমদা মিনট ৮২ , জর্সি নম্বর ৮ ৱানপাইখাট আইৱাফানিৱোদা মেটচকী মিনট ৫৮ চৎপদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি লাকশে, নবিন উতাপ্‌াল, মুকেস দুদ অমদি দিবুজিট সিংহ য়াদবনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরিবা নোঠ ইষ্ট জোন ক্বালিফাইয়িং সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ গী হয়েং গ্রুপ-এগী মেটচ ওইনা য়ুম্বু মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি য়ুম্বুগী টিমগীদি মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইরি।

# ইবোবী ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা য়ু পি এস এ পুখাও মায় পাকখ্রে, অবা অমদি য়ু এস এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ২১ দগী টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাও মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এঠলেটিক ব্রাদরস এসোসিয়েসন ( অবা) খেত্রিগাও অমদি য়ুনাইটেদ ফুটবোল এসোসিয়েসন ( য়ু এস এ) খুরাই দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।



লীগ অসিগী ২৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাও অমদি ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খেনা শান্নখিবা মেটচতা য়ু পি এস এনা এ এস য়ুবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওং দা শান্নদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চীঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নহা ওইরিবা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাওগী শান্নরোইশিংনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা মিনট ৪৪ চৎপদা পুখাওগী জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ খিজেননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাওগী মায়কৈদগগী অহেনবা গোল হাপচিনলক্নবা হোৎন্নখিবগী মমল য়াম্লবা হোঞ্জমন অদু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা টি ঐচ খিজেননা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা চন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাওগী জর্সি নম্বর ৩ এন সনাথোই অমসুং ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খেগী জর্সি ন ম্বর ১৫ পি দিপকতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি কে ব্রোজেন , ৱাই ইঙোবী, ৱাই দেবচান্দ অমদি এম ইনাও মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী ২৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দাএঠলেটিক ব্রাদরস এসোসিয়েসন ( অবা) খেত্রিগাও অমদি য়ুনাইটেদ ফুটবোল এসোসিয়েসন ( য়ু এস এ) খুরাইনা শান্নখিবা মেটচ গোল ১-১ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি টিম অনীমক্না লম্বা চান্না শান্নখিবনা হাল্ফ অসি লোয়বা ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৫৭ চৎপদা অবা খেত্রিগাওগী জর্সি নম্বর ৭ এম ডি সাকিতনা পেনালটিদা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ১০ কান্নরগা ৬৭ চৎপদা য়ু এস এ খুরাইগী জর্সি নম্বর ৯ রাহুলনা গোল হন্দোক্লবা ১-১ দা লৈদুনা মেটচ অসি দ্রো চৎখি।

মেটচ অসিদা টি প্রেমজিৎ, এল রজা, এন অমরজিৎ অমদি কে অজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা পুখাও রোদ য়ুঠ এসোসিয়েসন ( পি আর ৱাই এ) খুন্দ্রাকপম অমদি অঙথা এফ সি অঙথানা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব ( এস এস সি) পোরোম্পাৎ অমদি চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এ সি) চনুংনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# সব-জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী সেমিগী লাইন অপ লোয়খ্রে, সেনিয়র ৱুমেন’স ভোল্লিবোল হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওইনাম ভোল্লিবোল গ্রাউন্দ পাব্লিক হোল নিয়র ওইনাম বজারদা থা অসিগী ৮ দগী টিম ১২ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ১৮ শুবা সব-জুনিয়র ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুনামেন্ট ২০১৯গী হয়েংগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা কে ৱাই এল এস সি কাচিখূল অমদি কে এল ৱাই জি সি কামোংগা শান্নগনি অদুগা অনীশুবদনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমদি টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা কে এল ৱাই এস সিনা এন ৱাই ভি এ(এ)বু সেট ৩-১ ( ২৫-২২, ২৫-২৩, ১২-২৫, ২৫-২১) দা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাই এম দি ওনা ৱাই পি এবু সেট ৩-১( ২১-২৫, ২৫-১৭, ২৫-২৩, ২৫-১৮) দা, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা পি আর এস সি পৌরাবীবু সেট ৩-০ ( ২৫-১৯, ২৫-২৩, ২৫-১৯) দা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা কে এল ৱাই জি সি কামোংনা আই জি ও ওইনামবু সেট ৩-১ ( ২৩-২৫, ২৫-১৮, ২৫-১৭, ২৫-১৮) দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

অমরোমদা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওইনাম ভোল্লিবোল গ্রাউন্দ পাব্লিক হোল নিয়র ওইনাম বজারদা টিম ৫ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ঙসিদগী ৮ শুবা সেনিয়র ৱুমেন ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেটচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা কে এল ৱাই এস সি কাচিখুলবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এন্ ৱাই ভি এ নাওরেমনা পোইন্ট ১৮-২৫, ২৫-১২, ২৫-১৫,২৫-১৮ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা এম পি এস সি (এ) বু সেট ৩-০ ( ২৫-১৬, ২৫-১৬, ২৫-১৭) দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা এন ৱাই ভি এ অমদি এম পি এস সি (বি) না শান্নখিবদা এন ৱাই ভি এনা এম পি এস সি (বি)বু সেট ৩-০ ( ২৫-১৪, ২৫-৮, ২৫-৯ ) দা মায়থিবা পীখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা এম পি এস সি (বি) অমদি কে এল ৱাই এস সিনা শান্নখিবদা কে ৱাই এল এস সিনা এম পি এস সি (বি) বু সেট ৩-১ ( ২৫-২৩, ২৫-১৪, ২৫-১৬, ২৫-১৭) দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং এম ৱাই ভি এ নাওরেম অমদি এম পি এস সি (এ) মণিপুর পুলিসনা অহানবা সেমি ফাইনেল অদুগা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# এস দব্লিউ সি কৈরক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৮ দগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা চথরিবা ১৮ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস দব্লিউ সি কৈরক মায় পকখ্রে।

লীগকী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা এস দব্লিউ সি কৈরকনা য়ু বি এস এ মন্তকবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এস দব্লিউ সিগী গোলশিং অদু এম সোমোজিৎনা মিনট ৫৮ অমদি টি লমঙানবনা মিনট ৮০ প্লস ১ দা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দব্লিউ সি কৈরককী জর্সি নম্বর ১৫ এম প্রদিপ, জর্সি নম্বর ৬ এম দয়ান্দা অমসুং য়ু বি এস এ মন্তককী জর্সি নম্বর ১৬ এম এন্দ্রিয়ু অমদি জর্সি নম্বর ১৫ এম পাপাওদা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# সনফিষ্ট কপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ থাউ স্পোর্টস একাদেমিনা শীন্দুনা ওক্টোবর ৬ তগী ইম্ফালদা সনফিষ্ট কপ ২০১৯ ফোর য়ু-১৩ অমসুং য়ু-১৬ বোইজ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

শরুক য়ানিংবা ক্লব, স্কুল অমদি একাদেমিশিংনা থাউ স্পোর্টস একাদেমি থাউ গ্রাউন্দা লাক্তুনা একাদেমি অসিগী মেনেজরদগী ইন্ট্রি ফোম লৌরবা য়াগনি লোয়ননা ইদমিসন ফিনা লুপা ২০০ ওইগনি হায়রি। হেন্না অকূপ্পা মরোলগীদমক একাদেমি অসিগী ওফিসতগী খঙল্লবা য়াগনি হায়রি।

# ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগগী সেপ্টেম্বর ২১ দগী ২২ ফাওবা ছতিষ্টগরগী রাইপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭ শুবা নেস্নেল ফেদরেসন কপ ২০১৯গী ত্রাইয়েল সেলেক্সন ষ্টেট অসিগী ওইনা সেপ্টেম্বর ১৫ দা মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ( এম এ বি বি এ)না শীন্দুনা য়াইরিপোক তোপ চিঙথাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ ( মিষ্টর লময়ানবা কন্টেস ) অসিদা ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা জুনিয়র, সেনিয়র অমদি ফিজিক্স হায়না গ্রুপ-৩ থোক্লা খায়দোক্কনি লোয়ননা মরি লৈন্নবা বোডি বিল্ডরসশিংনা মতম চানা মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ( এম এ বি বি এ)দগী অকূপ্পা মরোল খঙল্লবা য়াগনি হায়না মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ( এম এ বি বি এ)গী জোইন্ট সেক্রেটরী টি ঐচ রাজিপ সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সুব্রোটো কপ য়ু-১৭ বোইজদা মণিপুরগী স্প্রিং ফিল্ড স্কুল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ন্যু দিল্লীদা টিম ৪০ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ৬০ শুবা ইর্ন্টনেস্নেল সুব্রোটো কপ ২০১৯ দা চহী ১৭ মখা নুপা মচাগীদা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা ৱাংজিংগী স্প্রিং ফিল্ড স্কুল মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ডা. অম্বেকর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশবু গোল ৮-১দা মায়থিবা পীখি।

মণিপুরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন অজিৎকুমরানা মিনট ৮, ৫০, ৬৯ দা গোল ৩, এল জেক্সন সিংহনা মিনট ২২, ৬৫, ৭০ দা গোল ৩ অতোপ্পা গোল ২ অদুনা কে ঐচ অরুননা মিনট ১২ অমদি গোলমৈ অনাওনা মিনট ২৬ তা চনখি। মায়থিরবা অরুনাচলগী গোল অদুনা মিজুনা মিনট ২০ দা চনখি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১১ দা অর্মি বোইজকা অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবদা ন্যু ৱিলিংতোন কেম্পতা শান্নগনি।

# ইনুংঙানবী মিনি বোইজ য়ু-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা পি এফ সিনা এস জি পি এল এস এবু মায়থিবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ)না শীন্দুনা মমাঙ থা ৩০ দগী টিম ১১ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল ( জে ঐচ এস এস)কী প্লে গ্রাউন্দা ১৬ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী নীংশিং মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি এফ সি ফাইতোল মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি এফ সি ফাসতোলনা এস জি পি এল এস এ সোনাপুরবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুদা এস জি পি এল এস এ সোনাপুরনা তোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা পি এফ সি ফাইতোলনা বোল কাওবা হৌখি।

শান্নখিবা মেটচতা পি এফ সি ফাইতোলগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৪ জোশেপনা মিনট ২৭ তা গোল অমা চন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি ১-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা পি এফ সি ফাইতোলগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৭ লালমোনশংনা মিনট ৩৮ অমদি ৩৯ দা গোল অনী চন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু মেটচকী মিনট ৫৮ চৎপদা এস জি পি এল এস এগী জর্সি নম্বর ৮ বহারনা গোল অমা হন্দোক্তুনা ৩-১ দা লৈখি। অদুবু পি এফ সি ফাইতোলনা এটেক কনখিবনা টিমসিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৭ লালমোনসাংনা মিনট ৬৫ চৎপদা গোল অমা চন্দুনা য়াম্না লায়না এস জি পি এল এস এবু ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

শন্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা পি এফ সি ফাইতোলগী জর্সি নম্বর ২০ কামতিনলালদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি কে ঐচ নিলাকমল সিংহ, অনিলকুমার অমদি জে াইয়ল চোঙলোইমথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

১৬ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী নীংশিং মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী হয়েংগী এন ৱাই সি নমদাইলোং অমদি বি বি এ চোহোতোবেগ্রাগা শান্নরগনি।

# এন জি এল লৌরেম্বম অমদি ঐচ কে কে এস এ হাওখা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী চাওয়াইমা হয়ার সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন জি এল লৌরেম্বম অমদি ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়াম মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এন জি এল লৌরেম্বম অমদি পি এ দি এস দব্লিউ লাঙথেলনা শান্নখিবা মেটচতা এন জি এলনা পি এ দি এস দব্লিউবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এন জি এল লৌরেম্বমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ চীংলেনসননা মিবনট ৩১ অমদি জর্সি নম্বর ১৮ সুরজিৎনা মিনট ৪৫ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা এন জি এলগী জর্সি নম্বর ১৯ কে ঐচ মোমোকো, জর্সি নম্বর ১৭ এম চিঙলেনসনা অমসুং পি এ দি এস দব্লিউগী জর্সি নম্বর ৪ এম ভোরোট,জর্সি নম্বর ২ এন মোহন অমসুং জর্সি নম্বর ১৯ পি ৱাবিচন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টি ঐচ বিগেন্দ্র মৈতৈ, এম বিজেন, পি ঐচ জোতিন অমদি এস ঐচ ইবোমচা শর্ম্মানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৫ শুবা মেটচ ওইনা ই ই ও লমদিং অমদি ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়ামনা শান্নখিবা মেটচতা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়ামনা ই ই ও লমদিং বু ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ ঙানবনা মিনট ২২ দা চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়ামগর জর্সি নম্বর ২ এম বিশ্বমিত্র অমদি জর্সি নম্বর ১০ পি রোসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ ইবোমচা শর্ম্মা, ই দেবলা দেবী, তাতু অমদি পি ঐচ জোতিননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# গম্ভীনি নীংশিং কাঙ টুর্নামেন্টতা ওইনাম কেন্দ্র মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৬ তগী টিম ১৪ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থাংমৈবন্দ লাইজিং ইনিংথৌ শঙলেনদা ৫ শুবা ৱাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬২ মথক্কী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কেন্দ্র কাঙখুৎ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎ অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎনা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টার ফাইনেল মেটচতা ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎনা খূন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎপু পাঞ্জল ১৯-১৬ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ স্কোর তৌখি। অদুগা মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ খক স্কোর তৌখি।

ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎকী শান্নরোইশিং অদুদি- টি ঐচ অমুবী, ও ইবোমচা, ও রঞ্জিৎ, ও বাবু , ও য়ুগিন্দ্রো, এম নিলাকমল, এ ওপেন সিংহ অমদি এল মাইমু সিংহনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com